হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওক্টোবর ২২, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২০৭শুবা মশীং

# হৈনবীবুদি ওইরমগনি

## মীয়াম্নদি হু তরেৎমুক খারে

অনৌবা ইলেক্সন অমা পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপগী হৌনবীনি মসিগীদমক কেম্প্যেন চখনরকপা, ভোট খোম্নরকপা, মীখলগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোক্নরকপা হায়বসি। থৌওংসি ঙসি-ঙরাংখক্তগী ৱাফম নত্তে। মণিপুরনা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংহৌরবা মতুং ষ্টেটসিগী ওইবা অইবা কন্সটিট্যুসন শেমজরগা মসিগী মখাদা পাঙথোকখিবা কুমজা ১৯৪৮গী অহানবা মীখলদুদমক তৌনখিদবা ওইরবসু লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী চল্লক্লবা মতুংদগী পাঙথোরকখিবা মীখলশিংদগীদি হৌরকখ্রে হায়বা য়াই। কুইর-কুইরগা হেঞ্জিন্নরকপগী ৱানি। পাঙথোক্লগদবা মীখল অমগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা, মীরেপ ওইগদবশিংনা ইলেক্সনগী ফি শেম্নরকপা হায়বসিদি অদুম্মক লোয়নদুনা, শাগোন্নরক্লবা মচৎনি। তৌসনু, তৌফম থোকই, ইলেক্সন অমগীদমক পাঙথোকফম থোক্লবা এক্টিভিটিশিং পাঙথোকপদা ইলেক্সনগী থৌবু ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মখল কয়াগী কাঙলোনশিং শেমদুনা পাদম লাক্লগসু অয়াবা পীরি, পাঙথোকহল্লি। তৌবা য়াবশিংনি হায়বশিংনা তৌহল্লি। তৌবা য়াদবনি হায়বশিংবুনা অথিংবা পীদুনা তৌহন্দে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদুগী লম্বীদা খুরৌ থাংহন্দনা শিৎ-নান্না ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইহন্নবা অঙম্বা, লৈজবা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা, শীজিন্নদুনা হোৎনদুনা লাকই। মথংগী কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা মীখল অসিগীসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি।

ঈ সী আই অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরনা মখোয় মখোয়গী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোক্লবা থবকশিং মীখল অসিগীদমক লৌখৎনরকপগা ইরোয়ননা হেন্না য়াঙনা, মাঙজিল থানা চখনরক্লিবা থবকশিংনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী ইলেক্সন কেম্প্যেনশিং অসিনি। তৌফম থোকপনি, মাগী মাগী পার্টিনা মশীং হেন্না কানীংবা, মীরেপ ওইগদবশিংনসু শোয়দনা মায় পাক্লিংবা হায়বসি হৌনশানি, মচৎনি। পাদম লাক্লিবা ঈ সী আই নৎত্রগা সী ঈ ও, মণিপুরনা পীবা চৎন-পথাপশিং অদুদগী নাথৈরক্ত্রিবা ফাওবদি থৌবু অনীসিনা খূৎ থিংজিল্লক্লোইদৌরিবনি। অদুবু মীখলগী কেম্প্যেননি, ভোট খোম্লিবনি হায়দুনা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী বুথ লেবেল মীটিং পাঙথোকপদগী হৌরগা চোঙথোক চোঙশিন তৌনরকপশিংবু লেংগোন্নদুনা ওকপা, মেম্বরশিং এনরোলমেন্টকী দ্রাইভ, ইলেক্সন ওফিস হাংদোকপা, ভোটরশিংদা কান্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোরকপনচিংবগী থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রামদা পার্টি অমগা অমগগী মরক্তা পিদ্রিৎ থোক্না লৌখৎপা হেক য়াদবমখৈ হুন্নবা, চৈনবা অমসুং শিধনবগী ৱাফমশিং শিংলি পাবন থোকপমখৈ শ্বর থিংলগা লাও-খোংনরকপা অসিদি মীয়ামগী নাকোং শীংজা য়ৈরে, হু তরেৎমুক খানরে। থৌওংসিদা থৌনা ফনা মাইক্রোফোনদা মচিন থাংজিল্লকপশিংগী মনুংদা ঙরাং নহান্তা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওবগী খূৎয়েক পীখিবগী মুক কংদ্রিবা পোলিটিক্সকী নিংথা মনম কোক্ত্রিবা মীওই কয়াসু থৌনা ফবা য়াওরক্লি। মীখল অসিগীদমক মীয়ামগী কান্নবশিং তৌবা, মায় পাক্লক্লগনা ষ্টেটসিগী ওইবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মনুংদা অসি ফাওবদি তৌগনি হায়বগী মহুত্তা পার্টি মশেল ওনশিন্নদুনা চৈবা-ঙাঙবা, অশোয়বা পুথোক্তুনা অকক্লবা পার্টি নৎত্রগা মীরেপ অমা শীংকুপ শানা য়ানখাইবরোমদনা হেন্না থৱায় য়াওনরকপদৌনা তৌখৎনরক্লি। মীখল থেংননবা থোরক্লিবসি মশাগী, মরন্নাই কান্নবা ওইজ-ওইথক্কী নত্তে, মীয়ামগী অফবা থবকশিং তৌনবনি; মশাগীদি হিংনবগী পাম্বৈ মরাং কায়না লৈজৈ হায়বনচিংবা ঙাঙ-শক্লকপা মীওইশিংগী মশীংসু নুংশিৎমুক কুংনা লৈরক্লি। তোয়না চখনরকপনা থৌওং অসি গুন্তিরনা মী চাথোক্লমদাইদা মপি তারকই হায়বদু থোক্কদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহংসু হংনরক্লি। অদুবু অশেংবা, অচুম্বা হায়বসিদি লেংদবনি। নুমিৎ থাদৌনা লৈহৌরগদবনি। ফজ-ফজনা ঙাঙনৌ-শক্নৌ। কন্থি থোক্না ওনশিন্নদুনা লাও-খোংননু। মীয়ামদি তরেৎনি চফম হন্নরে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) ***"জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা"*** হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **"রবীন্দ্র লৈচল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***"ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্না তোপ্না ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজৈ।"*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***"লৈপাক্কী মুর্তি"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লমদমসিদা দেমোক্রেসি অমদি ইলেক্সনগী থৌদৌশিং

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিসি ইলেক্সনগী মতমদা, লৈনাংদা লৈওল্লুরগা কাখৎলকপদা ঙাইরিবা ইরোইগা চপ মান্ননা মশক থীহল্লি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোন কয়ামরুম লৈদুনসু ইলেক্সনগী মতমদদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্সনগী ঈরাংবু কৈদৌঙৈদা খক নমথবা ঙমদে। ইলেক্সন কম্মিসননা য়াদবা থবক-থৌরমশিং কয়ামরুম মতমসিগী ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সনগা মরী লৈননা হঞ্জিন-হঞ্জিন পাঙথোকই। থৌদৌশিংসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অসিগুম্বা কেন্দিদেটশিংসিবু ঙসি ফাওবদা খক মতিক চাবা চৈরাক পীবা থেংনদ্রি। ফীভমসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনশিংবু ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন শীংকুপ শানা থুগাইবনা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু অসুক্কী মতিক মশক থীহল্লিবনি। থৌদৌসিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু চেদা য়েকপা কৈ (পেপর টাইগর) অমগুম উহনবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবুসু মশক্তমক ফজবা লৈনমদি খক চেন্দবা লৈরাং অমগুম খলহল্লি। পূম্নমকসি, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা পীবা ইলেক্সনগী নোমেনক্লেচরবু শকখঙদবা, ইলেক্সনগী ৱাহন্থোক নৈনদবা অমদি শুপ্নগী অপঙবা মীয়ামশিং খক্তবু শেন্না লৈরগা ভোট কাগনি খঞ্জবা, ঐরা মীরা পঙলিবসি খঙদবা মতমসিদা শেঞ্জাও পায়বা মীরেপশিং হেঙ্গৎলকপননি। মতম চূপ্পদা অসিগুম্বা কেন্দিদেটশিংনা ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিবু মশক থোকহন্দে।

দেমোক্রেসি ঙাক্লবগীদমক অৱাংবা থাক্তা থৌদাং লৌফম থোকপা মেছিনরিশিংগী মনুংদা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর হায়বসিসু অমনি। ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মেম্বর ওইনবগীদমক কেন্দিদেট ওইরিবা নৎত্রগনা হৌজিক হৌজিকমক ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ফাওবা ওইরিবা মীওইশিংনা ইলেক্সনগী মতমদা ইন্দিয়ন দেমোক্রেসিগী অকূপ্পা মশকশিং খঙদনা নৎত্রগা খঙশিন্নদনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লানহনগদবা মওংদা থৌদৌ কয়া চখনবসি চুম্লোই। হৌজিক্কী মতমদা এসেমব্লি মীখলগীদমক মীরেপ ওইরিবা মীশকশিংনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনশিংবু খক কিনদে। ইলেক্সন কম্মিসনগী কাঙলোন মতুংইন্না, ইলেক্সনগী মতমদা মীয়ামদা মীনমদুনা ওইদ-পাদবশিং ঙাঙশিন্দুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবগী থবকশিং তৌবা খক য়াদে। ইলেক্সনগা মরী লৈননা মীচম-মীয়ামদা ওইজ-ওইথক পীশিন্দুনা ভোট ফংনবা হোৎনবসিসু তৌফম থোক্তে। তৌইগুম্বসুং ইরমদমসিদদি কেন্দিদেট ওইরিবা মীওইশিংনা চথরিবা ভোট ফংনবগী থৌদৌশিংসি মপূং ওইনা মথক্তা পল্লিবা ৱাফমশিংসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঙাক্তনি। লমদমসিদদি ভোট ফংনবগীদমক কেন্দিদেট কয়ামরুম্না তশেং-তশেংনা ভোটকী মমল পীদুনা লৈবগী চৎনবীসি কুইরবা মতমদগী হৌনা চৎনরকই। মখোয়না ভোটরশিংদা ভোটকী মমল পীবদা নত্তনা ভোট ফংনবগীদমক ভোটরশিংনা য়ানীংনবা মওংদা মখল-মখা কয়ামরুমগী মিৎ থক্কৎনীংঙাই ওইবা থবকশিংসু তৌই। চাকচা-হৈজাননবগীদমক শীনবী, ক্লব/ওর্গনাইজেসন কয়ামুক্কী অৱাৎ-অপাশিং মেনবী অমসুং দোনেসন্নচিংবশিংসু পী। পূম্নমকসি ভোট ফংনবগীদমক মতম কয়াদগী হৌনা চৎনরক্লবনি। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি ইরমদমসিগী দেমোক্রেসিগী মশক ফজহন্নবা থৌদৌশিংনি লৌগদৌরিব্রা অমদি ইলেক্সন কম্মিসননা য়াবা থৌওংশিংগী মনুং চল্লি হায়গদৌরিব্রা? সিনি লুরিবসি। থৌদৌশিংসি লমদমসিদা ইলেক্সন খুদিংগী চথদুনা লাক্লবসু থিংবীনবদি কনামত্তা চোঙথোক্লকত্রি। ইলেক্সন কম্মিসনগী কাঙলোন ঙাক্তবশিং, এক্সন লৌখৎনবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসি ফাওবা লমদমসিগী মীয়াম্না খঙনদ্রি। দেমোক্রেসিগী অশেংবা থৌগল্লোয়শিং হায়রগদি ইলেক্টৈদশিংসিনি। ইলেক্টৈদকী ফমথোল ফংনবগীদমক ইলেক্সনদা মীরেপ ওইরিবশিংনা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক খোঙ্গাওননা চৎপসি চুমগদ্রা? থৌওংশিংসি লানগনি। লাল্লি খঙনা-খঙনা চথরিবশিংসি থিংনবা, মীচঙ-মীখায় নাইরোইদবা খূৎপু অমত্তং ইন্দিয়া লৈঙাক্না লিংখৎপীফম থোকই। ফীভমসি ওইরবদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াসু থৌনা লৈনা মথৌ পাঙথোকপা হেঙ্গৎলক্কনি। অদুবু, ৱাফমসি হৌজিক ফাওবগীদি খন্নবগী পাউ অমত্তা তাদ্রি। হৌজিক্কী মতমদা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং অয়াম্বনা লৈঙাক দিজোল্ব তৌখ্রবসু এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী ফমদি অদুম্মক দিজোল্ব তৌদবগী মওংদা ইলেক্সন ফাইট তৌবা চৎনরি। থৌদৌসিসু দেমোক্রেসিবু মশক থীহন্নবা থৌদৌশিংগী মনুংদা চনফম থোক্তব্রা হংনীংই। মরম কয়ামুক লৈরম্বা য়াই অদুবু মীচম-মীয়ামশিংগী মফমদদি পূম্নমকসি অমম্বা ঙাক্তা ওইরি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, দেমোক্রেসি ঙাক্লবা হোৎনরিবশিংনা, দেমোক্রেসি খোঙ্গাওনবগী থৌদৌশিংদি খক তৌহন্নীংদে।

ইলেক্সন ময়াদা ইরমদমসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কয়ামুক্তা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী ৱার্করশিংনা থৱায় শিবা য়াবা মওংদা ভোটকীদমক খৎন-চৈনবগী থৌদোক-ৱাথোকশিং থোক্লরি। থৌদৌসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা থৌদৌনি। ভোটকীদমক্তা কোক্কায়-লুকায়নরিবা ইরমদমসিগী ইচিন ইনাওশিং হয়েং ভোট হায়দোক্লকপা মতমদদি ইশা ইশানা এম এল এ ওইবীগদবশিং অমত্তসু য়াওরম্লোই। ইশা ইশানা পামজদুনা চেন্নরুবা পার্টিশিং নৎত্রগা মীরেপশিংদুগীদমক হাক্কন চংনবদা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা শুপ্নগী পার্টি অমখক্তদি খক ওইরোইদবনি অমসুং মীখলগী মীরেপশিংসু মতম লৈবা খিবিক্তা শুপ্নগী অমখক্তংদি পাক ওইগন্দে। হোংদোকপা য়াবা অমসুং ওন্থোক-ওনশিন তৌবা য়াবা লৈবনা ঐখোয় ইশা-ইশানা ঙসি য়াওনরিবা পার্টিশিংসি পুন্সিগী ওইনা হোংলরোইদবনি খনবসি লানগনি। দেল্লীদা নোং চুরকপদা মণিপুরদা ছাটিন খনগৎনরিবা মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনি হায়নরিবনি। ইলেক্সন ময়াদা কনাগুম্বশিংনা পার্টি নৎত্রগা ৱার্কর মশেনশিং খৎন-চৈনবা, খূৎ থোক্লবা, মরৈ-নীংঙাইশিং শংদান্নবা য়াবা থৌদৌশিং নৎত্রগা হীরমশিং য়ারিবমখৈ শীনহন্নীংদে। থৌদৌসি রিস্ক লৈবা থৌদৌশিং ওইরক্কনি। ইলেক্সন নকশিল্লকপগী তেম্পো ৱাংখৎনরকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা পার্টি অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবশিংগী ৱার্করশিং অমদি মীরেপশিং পূন্না পোলিটিকেল দাইলোগশিং তৌনহনবগী থৌদৌসি অয়াম্বনা মীয়ামগী ওইবা প্লেটফোর্মগী দেকোরম হেক্তা থুগাইনরকপা, অদুম তোয়না থেংনৈ। অতোপ্পা মরম অমনা, হৌজিক্কী মতমসি মমাঙঙৈগী মতমদুগদি হায়ফেৎ খেন্নরে। লাইবক থীবদগী, করিগুম্বদা ইলেক্সনগীদমক মীশি-মীনাশিং থোকপা য়াওনরক্লবদি পোলিটিক্সতা লান্না ৱাহন্থোকশিং পীনরক্কনি। পোলিটিক্সপু অফবা থৌদৌ ওইনা লৌনরক্তবা হায়বসি দেমোক্রেসিবু ঐখোয়না মমায়দা অমুবা মায়খুম উপশিনবীবনি। ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়ারিবসি দেমোক্রেসি হায়বসিগী অমম্বা মায়থোঙ অমসুং অমুবা মচু হায়বা অমমুক তশেংনা লৈবা নত্তে। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙদনা দেমোক্রেসিগী খোঙলোয় ওইরুবা ঐখোয়শিংতনা দেমোক্রেসিগী মায়থোঙদা অমুবা মায়খুম উপশিল্লুনবগী থৌরাং তৌজবনি। দেমোক্রেসিগী হায়রগদি করপসন লৈতে, অচান-মীরায় নাইদে, অচৌ-পিশকসু খক খায়দে। খায়নবগুম অমসুং নাইনবগুম উনরিবসি খোঙলোয় ওইরিবা ঐখোয়তনা উহন্নবা শীল্লুবনি। দেমোক্রেসিগী অশেংবা শক্তমদি মীয়ামগী অশেংবা পাঙ্গলদুনি। দেমোক্রেসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তা কনাগীসু থম্মোয় কায়নীংঙাই ওইবা ৱাহৈ খক য়াওরম্লোই। ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা মীওই ক্রোর ১৩৯সি শুপ্নগী দেমোক্রেসি হায়বসি খক্তনা মতম পূম্বগী ওইনা ঙাকপী শেনবীরিবনি। ফীভমসিদা দেমোক্রেসিবু ঐখোয়না মীরাইফম থোক্লিব্রা? চীন্দা খক্তা দেমোক্রেসিবু লাইশোনগুম্না পল্লগা, থম্মোয়নুংদনা দেমোক্রেসিগী থৌদৌ অমত্তসু লাৎতুনা থম্নীংদবা, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকমকপুসু লুনা খক লৌদবা, মতমসিগী পোলিটিসিয়ন খরনা ইলেক্সনগী মতমদা দেমোক্রেসিবু ভোট খোম্নবগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবসি ইরমদমসিদা খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা থৌদৌ অমনি। অসিগুম্বা পোলিটিসিয়নশিংনা কৈদৌঙৈদা খক দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকপুসু মমুৎ তানা নৈনরম্লোই। হন্দক্কী মীখলসিগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইরমদমসিগী কেন্দিদেট খুদিংমক্তা চপ-চানা কম্মিসনসিগী চৎন-কাঙলোনশিংদু এপ্লাই তৌহন্নীংই।

ইরমদমসিদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনসি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক মপূং ফানা ঙাকপা ঙম্বা ইলেক্সন অমা ওইহন্নীংই। করিগুম্বদা ওইরবদি ঐখোয়গী ষ্টেটসি ইন্দিয়াগী মনুংদা শোয়দনা অখন্নবা ষ্টেট অমা ওইগনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ঙাক্না ইলেক্সন পাঙথোকসি হায়বসিদা ইরমদমসিদা য়ানীংদবা মীওইশিং কনাসু চোঙথোক্লকফম থোক্তে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ইন্দিয়া লৈবাক্কী সিটিজন খুদিংমকসি শুপ্নগী দেমোক্রেসি হায়বা পোৎশকসি খক্তগী মরুম থুপ্তুনা হিংলিবনি। লমহেন-তুহেনবা, মচিং-মশোন নাইবা, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক নৈনদবা মীওইশিংনা লমদমসিদা দেমোক্রেসিবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা অমসুং দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকপু খোঙ্গাওনদুনা, মশা-মশাগী অনীংবা-অপাম্বশিং খক্তবু তৌনরিবসি লৈবাক মীয়ামসিনা থিংফম থোকই। মতম চূপ্পদা দেমোক্রেসিগীদমক লেপমিন্নসি। ●

# ওল্ড এজ হোম অসি ওর্ফান হোমগী য়ুনিভর্সিটিনি হায়গদৌরিব্রা?

— মনিস্না মঙাং —

মহৈ মশীন তম্বগী হীরমদা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈ লোইশঙসি য়ুনিভর্সিটিনি হায়না লৌনরি। অদুমকপু সেলটর হোম নৎত্রগা ওর্ফানেজ হোমগী তোঙানবা এদ্যুকেসনেল ষ্ট্রকচরদা য়ুনিভর্সিটিগী তোঙানবা চেপ্টরদি ঙসি ফাওবা থেংনদ্রি। থেংনদ্রিবা অসি ঐখোয়না নৈনবদা য়াওদবগীরা নৎত্রগা পুথোক্ত্রিবা শরুক ওইরিব্রা হায়বদুদি ওজানা তাকপীরকপদা, থিরুবদা ফংজদ্রি।

ওল্ড এজ হোম হায়রগা মণিপুরদা উরিবসি মচাশিংনা ইন্থোকপীরবা, মচা-মশু অমদি মরী মতা লৈজদবশিংগী লৈফম ওইনা লৌনরি। ওল্ড এজ হোম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মওংদা - রিটায়র্মেন্ট হোম, ওল্ড পিপলস হোম, নর্সিং হোম হায়নসু খঙনরি। ঐখোয়না উরিবা ওল্ড এজ হোমগী মশক অসিমক্তি অচুম্বা অশেংবা ৱাহন্থোক ওইদ্রি। ওল্ড এজ হোম হায়রগদি চহী য়াল্লবা অহল-লমন কয়াগী পোত্থাফম, হকশেলগী চেকশিন থৌরাং ফজনা লৌখৎপীবা, অৱাইমল পীদুনা লৈবা য়ূম অমগুম্বনি হায়না হনবসু য়াই। অদুবু লাইরিক্কী ৱাহন্থোক অসিগা ঐখোয়না উরিবা ৱাহন্থোক অসিগদি অদুক্কী মতিক খেন্নরে, তশেংনা অচুম্বা করম্বনো হায়বগী ৱাহং লাক্কদৌরে। ওল্ড এজ হোম অসি করিগীদমক অদুক্কী মতিক য়ূমথোঙগী তানবা ৱাহৈ ওইরিবনো হায়বসি কুপথনা য়েংবা মতম ওইরে।

চহী য়াল্লবা অহল লমনশিংদা খ্বাইদগী তোয়না থোকপা তাথী-তাওইনা তৌবা মওংশিংগী মনুংদা ৱাহৈ ৱাতা ফজদনা ঙাঙবী-চৈবীবা, থৌশাবীদবা, হকচাং শোক্না ফূবা অমদি থম্মোয় শোক্না ৱাখলদা অৱাবা পীবনচিংবা ওইরি। অপোকপা মমা-মপা পীজনীংদবা, হন্না য়েংদবগী চৎনবী অসি খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎলক্লি। মসিমক অচুম্বা, চাওখৎপগী মমিদি ওইদে। পূম্নমকসিগী হৌরকফম ***হেলপেজ ইন্দিয়া***গী রিপোর্ট অমদা- অহল লমনগী লন থুমগী মরমদা, জেইন্ট ফেমিলি পাম্লক্তবা, শেন্মীৎলোন ফরক্তবা, মচা-মমৌগা মোত তিন্নরক্তবা অমদি চানরক্তবা মরমশিংদগী মপূং ওই হায়না পল্লি। কুমজা ২০১১গী সেন্সস রিপোর্টকী মতুংইন্না অপূনবা ইন্দিয়াগী মীশিংগী চাদা ১০ (মিলিয়ন ১০৪) দি অহলশিংনি হায়রি। লোয়ননা কুমজা ২০৫০দদি অপূনবা অহলশিংগী মশীং অসি চাদা ২০ ওইরবা য়াই হায়না পানরি। অহল লমনশিং অসিদা 'সোসল সিক্যুরিটি' লৈত্রি অমদি ৱাখল লায়নানা মরম ওইরগা খুদোং চাদবা খ্বাইদগী চাউনা মায়োক্নরি।

তোঙান চানদ্রিবা চেকশিন্না য়ূম পানবা ইমুং অমদা য়ূমগী অহল লমন লৈবগী কান্নবা অমদি নুংঙাইবা ইমুং অদুতনা খঙগনি। ইমুং অদুগী চৎন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, থকসি-খাসিনচিংবা কয়া ময়েক শেংনা উবা ফংগনি। মশু-মবেলগী নুংশি মরী, অহল-লমনবু মচা-মমৌনা নাওকোনবীবা, চেকশিনবা য়ূম্বালোন, য়ূম-কৈ, ইখোল শম্বল তরু তনান্না থম্বা অমদি তোঙান-তোঙানবা তমজনীংঙাই কয়ামরুম লৈরি। অহল লমনগী পাউরৌদা, 'ইচাদগী ইশু নুংশিবনা য়াম্না হেল্লি' হায়বগী অচৌবা ৱাহন্থোক, ৱাখলনা লাম্বদা লোইরোইদবা কয়ানি। পূম্নমকসি কাউথোক্লগা চৎনবী অমগুম্না চহী য়াল্লবা অহল লমন কয়াবু 'ওল্ড এজ হোম' দা থমজিন্দুনা তোঙানবা পুন্সি মহিং অমদা হিংনবা হোৎনরি। অহল-লমনগা পূন্না নাওকোন্দুনা লৈরবদি ইমুংগী শেল চৎপা হেল্লকপা, থৌগল নীংথিনা তৌবা ঙল্লোই খল্লকপা, মচা মমৌশিংগী ৱাখলদা নীংতম্বা ফংদ্রে খল্লকপা ময়াম অসিনা তাহৈদবা থৌদোক কয়া তারক্লিবনি। য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোক্তা মশু-মবেল 'ওল্ড এজ হোম' দা থেংনবগী ৱারীসু লৈখিবনি।

অহলশিং অসিগা চপ মান্ননা নাওয়োক নাওকোনবদা ৱাগনি খঞ্জবা, মমা-মপা কাঙ-খোঙ চাইরবা অঙাং কয়াসু 'চিলদ্রেন হোম', 'ওর্ফান হোম' সেন্টর কয়াদা থম্নরি। অদু ওইবা তারগদি অসিগুম্বা মমা-মপা লৈনা-লৈনা চিলদ্রেন হোমদা থমগনি হায়বা ৱা-খল্লোন লাক্লগদি অহল-লমনশিংবুদি করিগী 'ওল্ড এজ হোম' দা থমনীংলম্লোই। মখোয়দা 'ওল্ড এজ হোম' অসি 'চিলদ্রেন হোম' গী য়ুনিভর্সিটিনি হায়না লৌরম্লোইদবগী ৱাফম লৈরমগদ্রা? খল্লম্বা তারগদি অসিগুম্বগী চৎনবীসি চাওখৎনবা মীয়াম্না য়োকখৎপা চুম্লব্রা? য়ূমথোঙ খুদিংদা য়াম্নমক ৱারী শানবদা নুংঙাইবা ৱাহৈ ওইরকপা হায়বসি খুন্নাই অসিগী মশক ঐখোয় ইশানা তাকথোকচরবনি। মসিমক হায়রে হায়দুনা চাওথোকচবা পোক্লগদি ঐখোয়গী তুংলমচৎনা কদোমদা চৎকদৌরি।

- লৈঙাক্কী অখন্নবা লোয়শঙ অমা হাংদুনা চহী য়াল্লবা অহলশিং খঙদোকপা অমদি চাং নাইনা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তারি।

- য়ূমগী অহল লমন নিংথিনা তৌবীদবা, ওৎ নৈবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা ইমুং মনুং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংবু লোগী ওইবা অকনবা চৈরাক পীবদা হেন্না পূক্লিং চিংশিনবা তঙাইফদ্রে।

- ভোলন্টিরি ওর্গনাইজেসন, ত্রষ্ট অমদি লন্নাই কাঙলূপ কয়াগা খূৎশম্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কা পূন্না চৎমিন্নবদা থোইদোক্না মায় পাকপা ওইগনি।

- লৈঙাক্কী থবক তৌবা ইমুংশিংদা মমা-মপা ওৎপা-নৈবা, ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবা লোয়ননা ইন্থোকপীবা তারগদি মখোয়গী সর্ভিসতা অকনবা মীৎয়েং চঙবা য়াবগী লো শেম্বা মতম থেংজিনখ্রগনি।

- ইমুং-মনুংদা অমদি অহলশিংগী ৱাখলদা পোত্থাবা ওইনবা তোঙানবা ভোকেসনেল ত্রেনিং তৌবীদুনা ইমুং-মনুং অমদি শেন্মীৎলোন্দসু অচৌবা মতেং ওইগনি।

পূম্নমকসিগী মরু ওইবা ৱাফমদি অহল-লমনশিংবু নুংশি চান্ননা লোয়নবীবা, লৈমিন্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা থবকনি। ইমা-ইপা নুংশিবা ঙমদবা, নুংশিনা লোয়নবীবা হৈতবা লমচত্তুনা মালেমদা লৈরিবা তাইবঙ শেম্বা মপু অরৈবা মখৈ নীংদুনসু ৱাখল ঈংগনি হায়বগী আশা তৌবীগনু। ইমা-ইপা, অহল-লমনদগী হেন্না অথোইবা মালেমসিদা লৈরোই। অয়েকপা, অনম্বা তাইবঙ শেম্বা মপু ১০০ নিংগদবগী শরুকপুদি ইমা-ইপাবু চেকশিন্না, নুংশিনা লোয়নবীয়ু। 'ওল্ড এজ হোম' অসি 'চিলদ্রেন হোম' গী খ্বাইদগী ৱাংবা লোয়শঙ নত্তে। ওইনবসু হোৎনগুমসি...! ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।